# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




হর ঘর টিরঙ্গগা মরী লৈননা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শীন্দুনা পঞ্চায়ট হোলদা পাঙথোকখিবা মেলাদা কৌনানা শাবা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং উংখিবা ষ্টোল অমা


লৌশিং পূক্কে : মতম কুইনা থম্বদা অকায়বা লৈত্রবা খোইহীনা ... লামায় ২

লামায় ৪ ইন্দিয়ানা গোল্ড অমফাওবা লৌবা ঙমদবা য়াম্না ...

ফজরবসু তানীংদ্রবদি তানীংদ্রে লামায় ৫

লামায় ৬ টেররিষ্টকী থৌওং চত্থরকপা কন্দেম তৌই : সী এস ওশিং

সী এ এগী মখাদা অহানবা সিটিজনশিপ পীখ্রে লামায় ৮

লামায় ১০ মালেমঙানবা নুংলেপ্পমবু মীয়াম্না ইম্ফাল ...


অমুকোনা শীন্দুনা পাঙথোকপা মণিপুরগী নীংতম নুমিৎকী শরুক অমা ওইনা রুরেল য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (রুকো) না শিন্দুনা ফয়েংদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা ইবুধৌ পাখঙবগী তুথুপ ৯গী ফিরাল চিংখৎপা




Vol. 48, Issue No. 134 | শগোলশেন, থৱানগী ১০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, August 15, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## লূপ কয়ানা শিন্দুনা মণিপুরনা নীংতমখিবা চহী ৭৮ শুরকপগী কুমওন থৌরমশিং পাক শন্না পাঙথোক্লখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচএনএস) :**
অদুঙৈ কুমজা ১৯৪৭কী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা বৃটিশ লোইলম লৈঙাক্কী য়োল্লিংদগী নাম্থোক্তুনা মণিপুরগী নীংতম্বা অমুক হঞ্জিনখিবা নুমিৎতগী পারগা ঙসি ফাওবগী চহী ৭৮ শুরকপা নুমিৎপু 'মণিপুর ইন্দিপেন্দেন্স দে' হায়দুনা তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা মফম কয়াদা নুমিৎসিগী কুমওন থৌরম পাঙথোক্লখ্রে।

পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী মীদিয়া কোওর্দিনেটর চরাইরোংবা থোকচোমগী চেরোল অমনা হায়, ঙসি লালহৌলূপ অসিনা শীন্দুনা ৭৮শুবা মণিপুর ইন্দিপেন্দেন্টস দেগী থৌরম মীয়ামগা লোয়ননা পার্টিগী সী ঐচ ক্যু, দিপার্টমেন্টশিংগী ঐচ ক্যশিং, লান্মী শঙলূপ - এম পি এগী জি ঐচ ক্যুগী বৃগেদশিং, বট্টালিয়নশিংদা অচন্বা মওংদা পাঙথোকখি।



সী ঐচ ক্যুদা পাঙথোকপা মপূং ওইবা থৌরমদা লালহৌলূপ অসিগী এক্টিং চ্যেরমেন মোইরাংথেম নোংয়াইনা থৌরমগী ময়ায় তাংবল, তরাগী চৈশুগী প্রসিদেন্ট খাইদেম মনিনা থৌরমগী অথোইবা মীথুংলেন, থৌরমগী ইকায়খুম্নবা মীথুংলেননা লালহৌলূপ অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ঐচ আর দিগী সেক্রেটরি সাপম তম্ফাজাও, জি ঐচ ক্যুগী চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ খ্বাইরাকপম খোম্বা, য়ু এম ওগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম সোরোজিনি, মহৈরোয় লূপ অমগী প্রসিদেন্ট বিপিনচন্দ্র অহন্থেম, মৈতৈ পাঙল কাউন্সিল মণিপুরগী প্রসিদেন্ট হজি অরাফটনা ওইখি।

থৌরমসিদা লালহৌলূপ অসিগী পার্টি কাদরশিং, মেম্বরশিং, লোকল মেম্বরশিং, এম পি এগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

## খুল ঙাকপা ১ মখোঙদা কাপ্লম্লে ফাখিবা ২ ফূরগা থাদোক্লম্লে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুঙ্খায় চৎলকপদা য়াইঙংপোকপী পি এসনা কোনবা শবুংখোক খুঞ্জাও খোংনাং মখোঙগী মফম অমদা শকখঙদবশিংনা খুল ঙাকপনি হায়বা শবুংখোক খুনৌদগী সাইখোম বিকাস এলিয়জ রোবিন্সন (২৯) অপোকপা এস রাজেন কৌবা মীওই অমা ওই থংবা ফৈগন্দা নোংমৈ মরূ অমা কাপশিল্লম্লে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## কাংপোকপী রোমদা চঙশিল্লম্বা ৩ এ আরনা কল্লগা শিন্নরক্লে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১২গী অয়ূক পুং ১১ রোম তারকপদা গাড়ী মচা (প্লেজর) অমদা তোংদুনা কাংপোকপীগী গম্পিফাই রোমদা চঙশিল্লম্বা তাকয়েল কোলোম লৈকায়দগী মংশাতাবম গুণ (২৫) অপোকপা এম ধনজিৎ, শগোলবন্দ ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## 'অথৌবশিংদা কৎচবা' ঈশৈ নোংমাইগী ৱাথোক

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচএনএস) :** ঙরাং ওগষ্ট ১৩ অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎতা খুমন লম্পাক্কী ফুটবোল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা 'অথৌবশিংদা কৎচবা' হায়বা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরমদা ৱাথোক ওইরকপদগী ঙসি লৈঙাক্কী য়াসকী দিরেক্টরনা থৌওং অদুগী মায়োক্তা ইম্ফাল পি এসতা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমা ফাইল তৌখ্রে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## গভর্ণরনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচএনএস) :** মহৌশাগুম্না হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়াগী নীংতম নুমিৎকী মাঙওইননা গভর্ণর লক্সমন প্রসাদ অচার্য্যনা মণিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননসু নুমিৎ অসিগী মাঙওইননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

## মীয়ামগী ফিঙাং লান্মীগী ২০শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে




**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ :** কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি) গী মেম্বর ইন চার্জ (ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি) এস মঙালনা থোরকপা চেরোল অমদা মীয়ামগী ফিঙাং লান্মী (এম এফ এল) গী ২০শুবা মপোক কুমওন ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মণিপুর থুগাইবগী ৱাফম ঐখোয়গী পূন্সিনা লৈরিবমখৈ ওইররোই : বিরেন

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচএসএস) :** মণিপুর কাইবা নৎত্রগা থুগাইবগী ৱাফম ঐখোয়গী পূন্সিনা লৈরিবমখৈ ওইররোই হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি হর ঘর টিরঙ্গ কেম্প্যেনগী মনুং চন্না লৈঙাক্না শীনবা বাইক রেল্লি অমা হাপ্তা কাংজৈবুংদগী লমথাখিবা থৌরমদা ৱাফম অসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, মীওই খরনা মণিপুর থুগাইনবা দিমান্দ তৌবা অমদি অদু পাম্মী, অদা পাম্মী হায়দনা তৌবনা অমনি। মণিপুরগী য়ুনিটি অমসুং ইন্দিয়াগী য়ুনিটি মালেমদা লৈরিবা ফোর্স অমত্তনা থুগাইবা ঙম্লোই হায়বসি লৈঙাক অসিগী অমসুং মীয়ামগী চপ চাবা ফিরেপনি। মসিদা ৱাখল অনী লোংনীংঙাই লৈতে, ৱাহংসু হংনীংঙাই ওইদে হায়খি।

য়ূমথোঙ খুদিংদা মচু অহুমগী ফিরাল পাইহল্লগা ইন্দিয়াগী অপূনবা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন অমসুং মপাঙ্গল উৎলিবা হর ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## 'আই আই আই টি মণিপুরবু লৌশিং ১সুং থকসি-খাসিগী মফম ওইহনগদবনি'




**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচএনএস) :** মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈরিবা ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (আই আই আই টি), মণিপুরবু লৌশিং, থকসি-খাসি ফজবা অমসুং অমগা অমগা ইকায়খুম্নবগী মফম অমা ওইহনগদবনি হায়না গভর্ণর লক্সমন প্রসাদ ...মখা লমায় ৩ কলম ২





HL-B/9002/15




● অয়ূক পুং ৬.৩০ তারকপদগী হৌরদুনা দুরদর্শন নেটৱার্কতা রেদ ফোর্টকী লানবন্দগী লাইভ টেলিকাষ্ট তৌগদৌরিবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম য়েংউ ●



ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫